# জুনিয়র টেন পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুএলদা চীংখৈহুনবগী সন্তোসনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস): হেদ কার্টর আইজি এ আর সাউথকী মিৎয়েং মখাদা নাইন সেক্টর আসাম রাইফলসকী সিক্স আসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসিদগী ১৪ রকশুবা দি জি এ আর সেন্টিনেল কপ স্টেট ইক্বেস্টৃরিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা চথবা হৌখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা টিম ১২ গী অপূনবা রাইদর ১০০ হেনবনা শরুক য়ারি। মণিপুর ইক্বেস্টৃরিয়ন এসোসিএশনগী মখাদা লৈবা টিমশিংনা শরুক য়ারিবা চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ১৪ ফাওবা চথগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি ঙসি আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল বিরেন্দ্র সিংহ, ভি এস এমনা চীফ গেস্ট ওইদুনা হৌদোকখি।

থৌরমদুগী হৌদোক ৱারোল পীরদুনা মহাক্না মণিপুর ইক্বেস্টৃরিয়ন এসোসিএশন্না লমদমসিদা পোলো মশান্না অমদি মণিপুরী পোনি য়োকখৎনবগীদমক লৌরিবা থৌদাং অমদি কৎথোকপা কয়া অদুবু শিংথাখি। লমদমসিগী টেলেন্ট লৈরবা রাইদরশিং অমদি স্পোর্টসপু য়োকখৎনবগীদমক আসাম রাইফলসনা হেন্না মিৎয়েং চঙগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোক্লমখি।

থৌরমদুদা মণিপুর ইক্বেস্টৃরিয়ন এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ডা. এস জয়কুমার, মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এস বুধচন্দ্র (আই এ এস, রিটয়ার্দ), চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি ডা. টি ঐচ চা মঙ্গিলাল অমদি নাইন সেক্টর আসাম রাইফলসকী কম্মান্দর বৃগেদিয়র জে এস বাইন্সলানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা জুনিয়রগী টেন পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুএল অমসুং নুপীগী শো জম্পিং পাঙথোকখি।

জুনিয়র টেন পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুএলদা চীংখৈহুনবগী টি ঐচ সন্তোসনা অহানবা পোজিসন তাখি। চীংখৈহুনবগী টি ঐচ রঞ্জন্না অনীশুবা পোজিসন, চীংখৈহুনবগী এম কুবেরনা অহুমশুবা পোজিসন অদুগা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লবকী এ তোম্বনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। নুপীগী শো জম্পিংদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী নিলু আর কেনা অহানবা পোজিসন তাখি। কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী টি ঐচ জেথোলিয়ানা অনীশুবা পোজিসন, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী টি ঐচ তানানা অহুমশুবা পোজিসন, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী সুমিতানা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

## মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচ এন এস) : মাকলং য়ুথ দিভ্লপমেন্ট ক্লবনা শিন্দুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ কেশ প্রাইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ থা অসিগী ১৬ তগী মাক্লং হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথবা হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক হান্নন্না ফোর্ম লৌখ্রবা ক্লব ওর্গেনাইজেসন অমসুং এসোসিএশনশিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা মাক্লংদা লৈবা এম ৱাই দি সী ক্লব অমদি মপান কাংজেবুংদা লৈবা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী ওফিসতা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী স্কেনিং থা অসিগী ১৪ গী অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা মাক্লংদা লৈবা এন ৱাই দি সীগী ক্লবতা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ১৫ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপতা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা পীগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা লুপা লিশীং অমা অমসুং বেষ্ট প্লেয়রদসু লুপা লিশীং অমগী শেলগী মনা পীগনি।

## গ্রাসরুট প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী ৬ তগী ৮ ফাওবা, চহী ৯ দগী ১০ ফাওবা, চহী ১১ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংগী ওইবা থা অহুমগী গ্রাসরুট ফুটবোল দিভ্লপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ১৩ দগী ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি।

# এ এফ এ থৌবাল নিঙোম্বম অমসুং মৈরা এফ সী তেকচম্না ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস): এথলেটিক এন্দ ফুটবোল ক্লব (এ এফ সি) থৌবাল অথোকপম্না শীন্দুনা চথরিবা অহুমশুবা এ এফ সি ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ফাইনেল থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এ এফ এ থৌবাল নিঙোম্বম অমসুং মৈরা এফ সী তেকচম অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মৈরা এফ সী তেকচম্না কেংবা এফ সী অথোকপম টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা গোল ৮-৭ তা মায়থীবা পীদুনা মৈরা এফ সী তেকচম ফাইনেল চঙখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা মৈরা এফ সী তেকচম অমসুং কোংবা এফ সী অথোকপম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমমমদগী হেন্না চন্নবা ঙমখিদে। তুংদা টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোর্ম পেনালটি মার্কতা মৈরা এফ সীনা গোল ৭ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৮ শুখি। কেংবা এফ সী অথোকপম্না টাই ব্রেক্তা গোল তরুক চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল তরেৎ শুখি।

মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা গোল ওন্থোক্লনবগীদমক অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেক কয়া চথনরকখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম তরুকশুবা মিনিটতা মৈরা এফ সীগী শান্নরোয় গৌরোনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মৈরা এফ সীনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোথরিবা কেংবা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা কেংবা এফ সীনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

হাফ মতুংদা গোল শোথরিবা কেংবা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা শান্নরকপনা মেচ অদুগী ৩৬ শুবা মিনিটতা দেনিএলনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নখ্রবা মতুং টাই ব্রেক্তা মৈরা এফ সী তেকচমগী গোল ৭ অদু জয়কুমার, দিপক, গৌরো, রোবিন্দ্রো, ধনা, প্রেমকুমার অমসুং হেলেন্দ্রোনা চনখি। কেংবা এফ সীগী গোল তরুক অদু দেনিএল, সোভা, বোবোই, থোমাস, ইতোম্বা অমসুং সোনদেনা চনখি।

# নোনিগোপাল মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা জে পি সী অগরটালানা হিসু থৌবাল মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ১০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মিৎয়েং মখাদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা য়াওনা টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা চথরিবা তরুকশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা জে পি সী অগরটালা মায় পাক্লুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা জে পি সী আগরটালানা হিসু থৌবাল টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা জে পি সী আগরটালা ফাইনেল চঙখিবনি। মায়থীহৌরবা হিসু থৌবাল টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌরে।

হয়েং অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ কে পি এস সী ককচীং অমসুং নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টকা শান্নরগনি। ফাইনেল মেচনা থা অসিগী ১৩ দা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা হিসু থৌবাল জে পি সী অগরটালাগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নখিবনা মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমখিদবদগী টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা জে পি সী আগরটালানা গোল অহুম চনখি। হিসু থৌবালনা গোল অমা চনখি।


মেচ অদুদা মায় পাক্লবা জে পি সী আগরটালাগী গোল অহুম অদু দিভা টমাতিয়া, বনাবির কলাই অমসুং সন্তোস দেব বর্ম্মন্না চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা হিসু থৌবালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এন বোবোয়না চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় এ রোমেক্স, এন বোবি অমসুং ঙাংপুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি।










Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com